# হুরানবগী ১০নি মপুগী নোংমা : ককচীংদা বেঙ্ক লুট তৌখিবা মীওই ফারে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৬কী নুংথিলদা ককচীং কৈথেলদা লৈবা য়ুকো বেঙ্ক লুট তৌদুনা য়াম্লবা শেনফম মুল্লগা পুখিবা মীওই অদু ঙসি নুংথিল ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ককচীং শুমাক লৈকায় এরিয়াদগী মহাক্লা লুট তৌখিবা শেনফম অদুগী মনুংদগী লুপা ৩,৩০,৫০০গা কোন্ননা মায় পাক্লা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাং ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী ওফিসতা দি আই জি রেঞ্জ-২ জোগেসচন্দ্র হাওবিজম য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবনি। ফাগৎলবা লুটর অদুগী মমিং নাওরেম রোমে এলিয়জ রোমিও (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন গৌরহরি কৌই, ককচীং শুমাক লৈকায় কৈথেল মচা পরেংদগীনি হায়রি। মহাক ইন্দিয়ন এয়রফোর্সতা থবক তৌরম্লগা ময়ূম মকে পান্দুনা মচানুপী অমগা নুপা অমগা লৈরবা মীওইনি হায়রি।

মহাক ফাগৎপা খক্তা নত্তনা মহাক্লা নুমিৎ অদুদা শীজিন্নখিবা হোন্দা এক্টিভা এম এন -০১/এ জে-৩১৭৩, ফুরিৎ ফিরোল, খোঙউপ অমসুং থাঙসু ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

# চুড়াচান্দপুরদা নন লোকল অমনা নুপীমচা ১দা মখূৎ শাংলুবদগী ঈরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : চুড়াচান্দপুরগী তুইবোংদা দুকান ফম্বা অসামদগী জাকির কৌবা নন লোকল অমনা থা অসিগী ২২দা চহী ১০ রোমদমক শুরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরমখি হায়বা ৱাহৌদগী ঙসি অয়ূক পুং ৫দগী হৌরদুনা কুকি-জৌ ভোলন্টিয়রশিংনা তুইবোংদা টুটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিনবদা নত্তনা নন লোকল অসিগী দুকান্দা য়োনবা পোৎ চৈশিং মৈ থাদোকখ্রে হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী ঈরাং লাকশিন্নবা বি এন এস এসগী সেক্সন ১৬৩গী মখাদা তুইবোং সব দিভিজনদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা ভি পি সীগী ওফিসতা পুলিস টিম অমা দিপ্লোই তৌখ্রে।

# ইপু মায়চৌগী শুরুং কিন্থরকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : ইপু মায়চৌ খোংনাংথাবগী হিরিনুংদগী মখারোমদা খোঙকাপ ৪৫ রোম চৎলগা লৈবা নোংমাইজিং চীংগী শুরুং অসি ইরং ইপাক (সমুদ্র) গী লৈমায়দগী ফুট ৪৮২৬ ৱাংবা মফমদগী নীংখাইরক্তুনা শিংশুম শুরুং কিন্থবদা য়াওখ্রে। শুরুংগী মচিন থংবা শরুক মখৈ কিন্থখিদুনা শুরুংগী শরুক পুম্নমক নুংজাওশিং অমদি নুংচাকশিংগা চীংলৈবাক্কনা ননশিনখ্রে হায়রি। চীং নীংখাইবা হৌরক্লিবা মফম অদুদা ফুট ৩৬ পাক্লা হৌরক্লগা মফম অদুদগী ফুট ৯৮.১০২গী মখাদা চথরগা লৈবা ইপুগী শুরুং তম্না তকথরক্তুনা কিন্থহনখিবনি। থৌদোক অদুবু উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মায়চৌ পুরেল প্রোফেসর কাংজিয়া মঙাংনা লুচিংবা খূৎপুনা চঙশিন্দুনা খোৎতোকপা হৌখ্রে হায়রি।

# চেঙ বেগ ২৭ চিংথহৌরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : ঙসি অয়ূক পুং ৮.১০ রোম তারকপদা খেংজোই সব দিভিজন অঙ্গনৱাদিগী চেঙ বেগ ১৫০ রোম ত্রক অমদা পুরকপদা ককচীং লমখাইদা মীওই খরনা কুকিশিংগী চেঙনি হায়দুনা বেগ ২৭ চিংথহৌরে হায়রি।

# চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্লবা এম এল এ খরনা ...

লমায়ম ১গী মখা... মরম্না লম্বী শেম্বা, কোইলাস থাবগী থবক পায়খৎপা য়াদবনি। অদুবু ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিং কনক্রিট রোদ ওল্লগদবনা থবক অনী লোনশিন্নদনবা পোট হোলগুম্বা মেনবা নত্তনা কোইলাস অমুক থাবগী থবক পায়খৎলরোই। অথুবদা কনক্রিট রোদ ওনবগী থবক হৌরগনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৮দগী ১০ ফাওবা মফমগী লম্বীশিংসু লুপা ক্রোর ১৭৫ রোম চঙনা কনক্রিট রোদ ওইনা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

মহাক্লা হন্দক চান্দিগরদা এন দি এগী চীফ মিনিষ্টর অমদি দেপ্যুটি সী এমশিংগী কনক্লেভ য়াওরুবদা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা উনরকপা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী পাউদম কয়া ফোঙদোকখিবা পাউগী মীফম অসিদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায়, হন্দক হোম এফ্যেরস মিনিষ্ট্রিনা শিল্লগা মণিপুরগী ঈরাংগী মতাংদা এম এল এশিং কৌরগা ৱারী শানবগী মতাংসি ঐখোয়না য়াম্না কূপ্পা ৱাফম থমখিরোই। হৌজিক ৱারী শানবগী থবক চথরিবনি। মিনিষ্ট্রিগী পি আই বিনা থোরক্লিবা চেরোল অদু নত্তনা ঐখোয়গী মায়কৈদগী কম্মেন্ট অমত্তা পীবা লৈত্রি, পীবসু পীখিরোই হায়খি।

সেন্টরনা মণিপুরগী ঈরাং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌরি অমদি হৌজিক লাঞ্জেন্নরিবা, ময়ূমদা হোংজিনবা য়াদ্রিবশিং, স্কুল / কোলেজদা চঙজফম লৌদুনা লৈবগী মহুত্তা খরা হেন্না নুংঙাইনা লৈবা য়ানবা টেম্পররি হাউজিং ওইনা য়ূম লিশীং ৭ অহানবগী ওইনা শাবগী অয়াবা সেন্টরনা পীরকখ্রে। য়ূমশিং অসি বিষ্ণুপুরদা ১০১৫, চান্দেলদা ৫১১, চুড়াচান্দপুরদা ১৩৩১, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫৯৪, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২২৫, ককচীংদা ১২১৭, কামজোংদা ৭৪, কাংপোকপীদা ১৮১৩ অমসুং তেংনৌপলদা ৮৯০ শাগদবনি। মসিগী মথক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং অমসুং ফুবালা অমদি কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুরদসু পি এম এ ৱাইগী মখাদা য়ূম ২,৫০০ রোম শাবগী থবক চথরিবসিদা য়ূম অমমমগী লুপা লাখ ৪/৪ হেনগৎপীনবসু হায়রম্লে হায়খি।

লমদমসিদা পন্দুনা লৈরম্বা নেসনল হায়ৱে প্রোজেক্ট ২৮সু হন্দক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গাদকারিগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা ক্লিয়ারেন্স ফংলে। মহাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা এন ঐচ-৩৭গী লম্বী শেম্বদা লেন্দ কম্পেন্সেসনগী চয়েৎনবা কয়া সোল্ব তৌরগনি অমদি মসিগী শেনফম এন ঐচ আই দি সী এলনা পুথোক্লবা খঙহল্লক্লে। চীং অমসুং তম অনীমক্তা নেসনল হায়ৱেগী শরুকশিংদা দ্রেনগুম্বা লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবসি কোকহন্নবা থবক পায়খৎনবগীদমক অহেনবা লুপা ক্রোর লিশীং অমসু অথুবদা সেঙ্কসন তৌরক্লগনি হায়খি।

সেন্ট্রেল রোদ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফন্দগী মখাদা লৈঙাক্লা চীং অমসুং তমগী থবক ১১৭ থাগৎপদা হন্দক্তা থবক ৫৭ এপ্রুভ তৌরকখ্রে অমদি লুপা ক্রোর ২১৭ সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। সাইক্লোন রিমালনা শোকহনখিবশিংগীসু সেন্টরনা লুপা ক্রোর ১৭০ কায়থরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মণিপুরদা ৱর্ল্ড ক্লাস ফুটবোল ফিল্ড অমা লুপা ক্রোর ২২০ রোম চঙনা শেমগৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে হায়রদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা অথুবা মতমদা ফুটবোল ফিল্ড অসি শেমগৎপা য়াবা মফম চাবা খঙদোক্লগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা মীকোক্তা লুপা লিশীং ১/১ তাঙ্কক ৪ রক পীখ্রবা মতুং ৫ রক শুরকপা ওইনা দিৱালি অমসুং নিঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই খুদিংদা লুপা লিশীং ১/১ পীরগনি। অদুগা হরাও কুম্মৈ অনীসিগী য়েংদুনা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংগী সেলরি অমসুং পেন্সনসু থা অসিগী ৩১গী মমাঙদা পীথোক্লগনি হায়খি।

লমদমসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক অনীমক্লা কন্না হোৎনরি। মীয়াম্নসু ঈং-তপ্পা লৈহন্নবা হোৎনবদা অমদি ঈরাং অসিগী মমাঙদা চৎলম্বা চাওখৎ খোঙজেল অদুদা অমুক হন্না চৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

# ইন্দিরা সরাংথেমদা ভারত এক্সিলেন্স এৱার্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু) গী প্রোফেসর ইন্দিরা সরাংথেমনা এদ্যুকেসনগী লম্দা থোইদোক হেন্দোকপা থবকশিং পাঙথোকপগীদমক ফ্রেন্দসিপ ফোরম, ন্যু দেল্লীনা ভারত এক্সিলেন্স এৱার্দ পীরকখ্রে হায়রি।

# পুং ৪৮গী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বন্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ৩০দা শকখঙদবশিংনা ফাখিবদগী মফম খঙদ্রিবা অকোইজম অঙৌগী জে এ সীনা থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ৫দগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চঙশিনগদৌরি।

# ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা য়ু জি মশেল খূৎ...

লমায়ম ১গী মখা...অসিদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা বেজ তৌবা লালহৌবশিং লৈরে হায়বদগী ম্যান্মারগী লালহৌলূপ অনীসিগী অপূনবা খূৎপু অমনা চঙশিল্লক্তুনা এটেক তৌরকখিবনি হায়রি।

এটেক মায়োক্লরবা লালহৌলূপশিংগী মীওইশিংনসু মখোয়দা চথরকখিবা এটেক অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীদুনা খূৎ হল্লকখি। নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। থৌদোক অসিদা পি দি এফকী কাদর ২ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩না অশোক অপন নংখি হায়রি।

অদুগা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অনীগী কাদরশিংগা মায়োক্লখিবা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী লালহৌবশিংগী মায়কৈদনা মীওই ৩ নোংমৈনা পান্দুনা লৈখিদে অদুগা অশোকপা অমনা কে এন এফ -বি অমসুং পি দি এফকী কম্বাইন্দ টিম্না ফারগা পুখ্রে হায়রি।

মফম অসিদা লালহৌলূপ মশেলগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকপগী পাউ ফংবগা থৌদোক থোকফমদা ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্টাগী লান্মীশিং চঙশিল্লক্তুনা মখোয়গসু কে এন এফ -বি অমদি পি দি এফকা ওনশিন্নদুনা মখা তানা খূৎ থোক্লখি হায়রি।

মখা চথরকপা থৌদোক অসিদা মিলিটরি হুন্টাগী লান্মীশিংনা কে এন এফ -বি অমসুং পি দি এফকী কাদরশিংদগী নোংমৈ ৬ মুনখিবগা লোয়ননা পি দি এফকী মীওই ৪ মখোয়গী মখূৎতা শিরগা খরনা অশোক অপন নংখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পি দি এফ অমসুং কে এন এফ-বিগা মায়োক্লখিবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলূপশিং অদু করম-করম্বনো অমদি লৈখিদ্রবশিং অদুনা কনা-কনানো হায়বদি ওফিসল ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

# লান লোইদ্রিবনা হন্দক্কী নিঙোল চাক্কৌবা করম থোক্লগদগে লৈখাই...

লমায়ম ১গী মখা... লাকখিবনি। হন্দক চহীগীসু মথং থাগী ২দা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে।

নিঙোল চাক্কৌবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা পাঙথোক্কদবা মেলা অসিদা লমদম অসিগী ওইরিবা মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা অহোঙবা মমলদা ঙাশিং ফংহনগনি অমদি মমা ওইবী, ইচল-ইচে নিঙোলশিংগী য়েংলগা মমাঙদা পাঙথোকখিবা ঙাগী মেলাদা য়োনখিবা মমলদগী লুপা ১ ফাওবা হেনগৎতনা মীয়ামদা ঙা ফংহনগনি হায়রকখি।

দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২২গী নিঙোল চাক্কৌবগী ঙাগী মেলাদা শুপ্পতগী ঙা কিলোগ্রাম ১,২৭,০০০ রোমদমক পুথোকখিবনি। অদুগা মমাঙ চহী ২০২৩দদি লৈবাক্কী ঈরাংনা মরম ওইরগা ঙাগী মেলা পাঙথোকপা ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা ঙায়োক ফার্ম তৌরিবা ঙামীশিংনা চহী নমদুনা থমখিবা ঙাশিংসু য়োলহৌনবা হন্দক্কী মেলাসিদা ঙা কিলোগ্রাম ১,৫০,০০০ য়োন্নবা শেম শারি।

মেলাসিদা ফংহনগদবা ঙা মখল ১৩নি। ঙাশিং অদুদি কটলা, রৌ, ম্রিগল, কম্মন কার্প, গ্রাস কার্প, সিলভর কার্প, পেংবা/খাবক, ঙাতোন, ঙাহৈ, উকাবী, পোরোম, তুংহনবী অমসুং শরেংনি হায়রি।

ঙাশিং অসিগী মমলনা শরেংনা কেজি অমদা লুপা ১২০০ ওইরগা কটলাদগী হৌরদুনা ঙা মখল অসিগী কেজি অনীগী মখাদা লৈবশিংনা কিলোদা লুপা ২১০দগী হৌরগা পেংবা/খাবকনা গ্রাম ৩০০গী মখাদনা লুপা ৪৫০ অমসুং গ্রাম ৩০০গী মথক্তা লৈবা ঙাশিংগীনা কিলোদা লুপা ৫৫০ ফাওবদা য়োনগনি হায়রি।

ঙা মরাং কায়না পুথোক্লবা মথং থাগী ২দা নিঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসনদা মকোক মথং তারবা ঙামী অহুমদা শেলগী মনাশিং পীগনি। ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থর্দ তাবদা মথংশিংনা লুপা লাখ ১, লুপা লিশীং ৭০, লিশীং ৫০ পীগনি অদুগা য়েলহৌ ঙা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না পুথোকপা ঙামীদনা লুপা লিশীং ২০ পীবগা লোয়ননা ঙামী ২০দসু কোন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লিশীং ১০/১০সু পীগনি। কম্পিটিসনসিদা শরুক য়াগদবা ঙামীশিংনা ঙা কিলোগ্রাম লিশীং ১দগী তাদনা পুথোক্কদবনি হায়রি।

ঙাদা মীপাল তাংদনবা লোয়শঙ অসিনা কন্না হোৎনরি হায়রদুনা চহী মঙাগী মতুংদগীদি মণিপুরদা পুথোকপা ঙানা মীপাল তাংদবা ষ্টেট অমা ওইরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি।

মসিগী পান্দমদা লোয়শঙ অসিনা মণিপুরগী অচৌ অচৌবা তুরেল, লৈকায়গী অচৌবা পূখ্রি অমদি লন্নাই ফার্মশিং থারগা পূন্না হৌজিক ফাওবদা চহী অসিগী ওইনা ঙা মচা লাখ ৫০ থাদখ্রে, মখা তানসু থাদখিগনি হায়খি।

মীয়াম্না তাবদা হরাওগদবা ৱাফম অমনা মণিপুরগী য়েলহৌ ঙাশিং ওইরক্লিবা পেংবা অমদি শরেং মপূং ফানা কনবা ঙম্লে। হৌজিক ঙাকিট্রৌ মরাং কায়না ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে। অতৈ য়েলহৌ ঙাশিংগীসু হোৎনরি। পুম্নমক অসি ঙামীশিংনা কন্না হোৎনবদগী ঙল্লকপনি হায়নসু মহাক্লা ঙামীশিংবু ইকায় খুম্নহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

# নিঙোল চাক্কৌবা অমসুং ...

লমায়ম ১গী মখা... শেমজ শাজরিবা নোংমগী পূন্সিদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লম্বী সড়কতা থোক্তুনা য়োনবা অসি ঐখোয়দা অমদি চীফ মিনিষ্টরদা য়াম্না হেন্না নুংঙাইতবা অমা লাকপদগী হায়রিবা পোৎলমশিং অসি চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মখাদা কোর্পোরেসন অসিনা থেঞ্জাং কয়াদগী হৌরগা লৈশিন্দুনা নৌনা পান্থোইবী হায়না ব্রান্দিং তৌরগা য়োনবা হৌরকপনি। ইনমেটশিংনা শেমজ-শাজরিবা প্লাষ্টিক বেগ য়াওনা য়ূমদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং য়াওবা কোম্বো পেক অসি শুপ্পতগী লুপা ১১০০দগী ১৪০০ ফাওবগী শেনফমদা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙশিংদা য়োনবগী থবকসু চথরক্লি। কোম্বো পেক অসি লাক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অমদি দিৱালি কুম্মৈদা ঐখোয়গী ইচে-ইচল অমদি ঐখোয়না নুংশিজবা মীওইশিংদা খুদোল ওইনা পীবিদুনা রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিংবু পূক্লিং থৌগৎমিন্নসি। কোর্পোরেসন অসিনা ফংলিবসিনা রিভোলভিং ফন্দ ওইরগা রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিং অসিনা পুথোকপা পোৎলমশিং অসি কোর্পোরেসননা অমুক শীজিন্নরগা পোৎলমশিং অসি লৈগদৌরিবনি। ইনমেটশিংদগী লৈজরিবা পোৎলমশিং অসি নীংথিনা শেমদোক্লবা কোম্বো পেক অসি ইম্ফালগী পাওনা কৈথেলদা পান্থোইবী এম্পোরিয়ম অমদি ৱাংখৈগী পান্থোইবী আর্কেদতগী মীয়াম্না ফংবীগনি।

কোম্বো পেক অসি হয়েংদগী হৌদুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট হেন্দলুম মেলাদসু থমদুনা মীয়ামদা ফংহনবা হৌরগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# অমুক্কসু পুং ২৪দা অনৌবা দেঙ্গি পোজিটিভ কেস ৬০ থেংনরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৩ (ঐচএনএস) : ঙরাং ফাওবদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা অনৌবা দেঙ্গিগী কেস ৪০ থেংনবদগী ষ্টেট অসিদা মায়োক্লবা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস পূন্না ১৭২৩ শুখ্রবা মতুংদা হৌখিবা পুং ২৪দসু অনৌবা পোজিটিভ কেস ৬০ থেংনরক্তুনা ঙসি ফাওবদা অপূনবা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ১৭৮৩ শুরে হায়রি।

খ্বাইদগী নৌনা থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৬০ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী-৩৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী-১১, বিষ্ণুপুরদগী-২ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা পোজিটিভ কেস ১৪নি হায়রি।

GAS NEWS

PATSOI INDANE
BOOKING UPTO - 18/06/2024
VALID FROM - 11/06/2024
ONLY HOME DELIVERY
WITHIN 5 DAYS
TIME- 9AM TO 11AM
OFFICE ENQUIRY NO.
9774031231/8414967694

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKINGUPTO 29/08/2024
VALID FROM. 15/082024
14kg,10kg,19kg & 5kg
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am
GAS LOUBA MATAMDA
REGISTER TOUBA MOBILE
PUTHOKPIYU

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 19/09/24
VALID FROM 13/09/24
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

## HL Poll

Q : Maharastra amasung Jharkhandgi Assembly Election sing pangthoktringeigi mamangda Manipur leingakta ahongba ama soidana lakkani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : MLA/Minister 19na Prime Ministerda ayiba cherol pishinkhi haibagi matangda khutyek piba yaoba amasung yaodabasingna leikhai tahallakhigadra?

Yes 33% No 67%

## অস! লোইরেহে!

- করিনো ঙমখৈ মাঙই হায়রিসে।



- মাঙবা লৈতে বাজি, মীনা লৌখিবনি।

# পোলিটিক্সতা 'ফুলষ্টোপ' লৈতে হায়বদু চুমগদৌরিব্রা...

লমায়ম ১গী মখা... চৈরক্তা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলিবা এম এল এ ৭ লৈবা এন পি পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) না লুচিংবা মীওই ৪না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমা ঙসি অয়ূক ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা হয়েং নুংথিল ইম্ফাল এয়রপোর্টকী খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ফ্লাইটতা ইম্ফাল থাদোকখিগদবা মীহুৎ কাঙবু অসিনা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা মখোয়গী পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনড়াদ কে সংমানা শিন্নরকপা থবকশিং মথং-মথং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এন পি পিনা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎলক্লিবসি মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎপা তোক্লগদ্রা হায়বগী মতাংদদি করিগুম্বা চীফ মিনিষ্টরগী পোষ্টতা অহোংবা লাক্লবদি মখা তানা লৈঙাক অসিদা শৌগৎতনবগী ৱারেপ লৌবগী থবক খরা তপথরবা য়াই হায়না পার্টি অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পার্টি অসিগী নেসনল টিমদা য়াওরকখিবশিংদি কেরলাগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে টি থোমাস, নেসনল প্রসিদেন্ট (য়ুঠ ফ্রন্ট) নিকি নোংখলো, নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (লো এন্দ ওর্দর) অমসুং টিম অসিগী কনভিনর অভায়া কেসভনি। অদুম ওইনমক টিম অসি মীওই মঙানা শারগা অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেট ৱার্কিং প্রসিদেন্ট পি বাগেসু য়াওরক্কনি হায়না প্রোগ্রাম শেম্বদা হাপ্লম্বনি অদুবু মহাক্তি মচানুপী লুহোংবগী থৌরমগা ফাংজিন্নবদগী লাকখিদবনি হায়রি।

এন পি পিগী নেসনল লিদরশিংগী টিম অসিনা ঙসি মণিপুরদা লাকখিবসি থা অসিগী ৯দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফম্না থা অসিগী ৫দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা পার্টিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোক্কনি লেপ্পল্লগা মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবা নেসনল এগজিক্যুটিভ মীটিং অদুবু য়ৈথোকখিবগী মরম খঙহনবীরক্লবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ুম্নাম জয়কুমারনা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্টদা ইদুনা পীখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্ননি হায়রি।

থা অসিগী ৫দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কনি লেপখিবা নেসনল এগজিক্যুটিভকী মীফম অদু মমাঙ থাগী ২৭তা নেসনল প্রসিদেন্ট কোনড়াদ কে সংমানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা গুৱাহাটিগী হোটেল অমদা পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্ননি। মীফম অদুদা এম এল এ ৭ লৈরিবা এন পি পিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক্তা মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎপা তোক্লগদ্রা হায়বগী মতাংদা লৈখায় তাবা ৱারেপ অমা লৌননবা খন্নখিবনি। অদুবু অতৈ ৱারেপশিং খন্নদুনা ৱারেপ লৌখ্রবসু হীরম অসিগী মতাংদদি গুৱাহাটিগী মীফম্না লৈখাই তাবা ঙমখিদবদগী থা অসিগী ৫দা ন্যু দেল্লীদা নেসনল এগজিক্যুটিভ মীফম পাঙথোক্লগা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌসি হায়না য়ানখিবনি।

গুৱাহাটিগী মীফম অসিদা পার্টিগী অপূনবা এম এল এ ৭কী মনুংদা এন কাইসিদি মশা ঙমদবদগী শরুক য়াখিদ্রবসু অতোপ্পা এম এল এশিং- সৈখ নুরুল হাসন, কে ঐচ লোকেন, আই ননিনি, জাংহেমলুং পানমৈ, এম রামেশ্বর অমসুং টি ঐচ শান্তি য়াওনা নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমার অমদি পার্টিগী ষ্টেট য়ুনিটকী থৌপুবশিংনা শরুক য়াখিবনি।

অদুবু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা নেসনল এগজিক্যুটিভকী মীফম পাঙথোকখিদবা অমসুং থা অসিগী ৯দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এগজিক্যুটিভকী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না পার্টিগী মীহুৎ মরিনা শাবা টিম অসি নেসনল প্রসিদেন্টনা ঙসি ষ্টেট অসিদা থারকখিবনি। মখোয়না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর অমসুং পোলিটিকেলগী ফীভম কূপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা মসিগী রিপোর্ট অমা চয়োল অহুমগী মনুংদা নেসনল প্রসিদেন্টদা পীখৎকদৌরিবনি।

ঙসি অয়ূক মীহুৎ মরিনা শাবা টিম অসিনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবগা নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমারনা লুচিংবা ষ্টেট কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা লেংয়ান ফিনচিংবা খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখি। মীহুৎ কাঙবু অসিদা পাউচে অসিনা মখোয়গী খোঙচৎ অসিগী চপ চাবা মরম করি ওইগদগে হায়না হংখিবদা পাউখুম অমত্তা পীরমদনা চৎখিবনি।

অদুম ওইনমক মীহুৎশিং অসিগী খোঙ্গুল লীরুবদা মখোয় মরিমক এয়রপোর্টতগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা চৎখি। মফম অদুদা হেক থুংবগা নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমারনা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী য়াওনা পোলিটিকেলগী ফীভমগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং থমখি হায়রি।

মসিগী মতুংদা পার্টিগী এম এল এ ৭কী মনুংদা এন কাইসিনা মশা ঙমদবদগী লাকপা ঙমখিদ্রবসু এম এল এ ৬ লাকখি। অদুবু মখোয়গী মনুংদগী টি ঐচ শান্তিদি লাক্লম্লগা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্কদবা লৈ, মদু হান্না য়াওরুরগা অমুক লাক্কে হায়রম্লগা চৎখিবদগী হল্লকখিদবনা মীহুৎ কাঙবু অসিগা শুপ্পতগী এম এল এ মঙাগা উনদুনা ৱারী শানখি হায়রি।

অদুগা হয়েং অয়ূক্তীনা নুংথিল ফাওবনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর অমসুং পোলিটিকেলগী ফীভমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তমগী এক্টিভিষ্ট/শক্লাইরবা মীওইশিং অমদি সিনিয়র জর্নেলিষ্টশিং ফাওবা য়াওনা পূন্না মীওই ১১ গা হকথেংননা উনদুনা হায়রিবা ফীভম অনীসিগী মতাংদা মীহুৎ কাঙবু অসিনা রিপোর্টশিং খোমজিনগনি অদুগা হয়েং নুংথিল ইম্ফাল ইয়রপোর্টতগী ইকোন কোন্না পাইখিগদবা ফ্লাইট অমদা তোংদুনা ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রি।

চৈরকসিদা, পাউচে অসিনা পার্টি অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমদা মীহুৎ মরি অসিগী খোঙচৎ অসি এন পি পিনা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোকপা নৎত্রগা মখা তানা শৌগৎখিনবা ৱারেপ লৌবগা মরী লৈনব্রা হায়না হংখিবদা লুচিংবা অদুনা হায়, করিগুম্বা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদা হোংদোক হোংজিন লৈরক্লবদি শৌগৎপা তোকপগী ৱারেপ হোবে-হোবে লৌননবা হোৎনরক্তবা য়াই হায়রকখি।

# ঐখোয় লমদমসিগী য়েলহৌমীনি, রিফ্যুজি নত্তে, রিলিফ কেম্পতা হিংনীংদ্রে ঐখোয়বু য়ূমদা হলহনবীরো : মোইরাংথেম নিঙোল

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
তোকপু সাবল লৈক্লায়দগী খুঞ্জা

(ঙরাংগী মখা...)

মোইরাংথেম নিঙোলনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, গাড়ী থৌগদবা ফাওবা কিবদগী অমুক হঞ্জিল্লকখি। লাইবক য়েংসি হায়দুনা অমুক হন্না থৌদোরকখিবনি অদুবু খরা থৌরক্লগদি কুকিশিংনা ঐখোয়বু থৎখি, চৎপা য়ারোই হায়দুনা খাল্লকখি। মতম অদুদা পুলিস পর্সনেলশিংসু লৈরমখি অদুবু অনাবা য়াওই হায়না কপ-নোঞ্জরগা মফম অদুদগী নাম্থোরক্তুনা গাড়ী থৌবা হৌরকখিবনি। গাড়ী থৌদুনা লাকপদা মখোয়না লাউ খোংজিল্লকখি অমসুং ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা লাউশিল্লকখি। পুম্নমক অদুগী মথক্তা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পগী মখোলসু য়াওরকখি। অদুম ওইনমক উচিন নাচিন্না অশোক অপন য়াওদনা নাম্থোকপা ঙল্লকখি।

লৈমপোকপমদা থা অমমুক চঙজফম লৌদুনা লৈরল্লবা মতুংদা থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা হাংদোরক্লিবা রিলিফ কেম্প অসিদা মমাঙ চহী ২০২৩গী জুন ১৩দা লাক্তুনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবনি।

মোইরাংথেম নিঙোলনা মখা তানা হায়, রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপদা চাবা থকপগী অৱাৎ অপা করিসু লৈহন্দে অদুবু মীওইবগী পূন্সিসি চানবা খক খল্লগা হিংবদি নত্তে। নোংমা হায়বা মতম অসি হৌখ্রবা মতুংদা অমুক হল্লকউ হায়বা কৈদৌনুংদা য়াররোইদবনি। অদুমক হৌখ্রগদবনি। ঙসি থা ১৮ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা ঐখোয়গীদমক করিসু খনবীদনা শিদনবা শা-ষণদা মচীঞ্জাক থাল্লগা থম্বগী মওংদা ঐখোয়বু কয়াম কুইনা খাঙখো হায়বনো হায়না হংলকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লান তৌরি হায়রগা লানগী চৈথেং অসি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লায়রবা মীয়াম খক্তদা হেন্না অৱাবা পীবগী মওং অসি উরকপদা হিংনীংবা ফাওদ্রে। মহৈ মশীন মপূং ফাদ্রিবী ইচানুপী অহুমগীদমক পূন্সিসে হিংলিবনি। চহী অমগী মনুংদা অমুক্ত লাকপা নিঙোল চাক্কৌবা অমসু মমাঙ চহীগীদি চৎখ্রে। হৌজিক চৎলিবা চহী অসিগীসু নিঙোল চাক্কৌবা অমুক লাক্লে। ইপামগী মীওইশিংসু লাঞ্জেন্নরক্তুনা নম্বোলদা লৈবা রিলিফ কেম্প অমদা চঙজফম লৌরক্লি। ইমা-পাবুং, ইবুংগী থম্মোয়না নিঙোল চাক্কৌবা লাকপদা করি ফাওরমগনি। মরম অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ফাওবদি কুম্মৈ হরাও অমত্তা লাকহন্নীংদ্রে। কুম্মৈ হরাওশিং লাক্লগা ঐখোয়গী থম্মোয় হেন্না হেন্না কায়হল্লি। ইচাশিংগী পূক্লিং ৱাখলসু ফাথবা ঙল্লক্রে হায়রকখি।

হান্নদি ইচানুপী অহুম্মক প্রাইভেট স্কুলদা তমহন্দুনা মী অমমম ওইনবা কন্না হোৎনবা ঙল্লম্মী। ঙসিদি ইচা অহুম্মক মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্লে। মখোয়বু মহৌশাগুম্না মমা অমা ওইনা য়েংশিনবীবসু ঙমদ্রে। হৌজিক রিলিফ কেম্প অসিদা লাঞ্জেনমিন্নরকপা ময়াম পূন্না হোল অমদা লৈমিন্নরক্লিবনি। অঙম অথৌশিংদি মখোয়গী মচা মশু মপান লমদা থাদুনা মহৈ মশীন তমহল্লমগনি। (মথং-মথং)



শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বী **কাংজম ওংবী গুরুময়ূম নিঙোল শাঁন্তিবালা দেবী**-না মনুং মতম চাদনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং অমদি শাগৈ-নাতৈ খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৩/১০/২০২৪ ইং, মেরাগী ১০নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ শ্যামসুন্দরি চৈতৈন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৮/১০/২০২৪ ইং, মেরাগী ১৬নি পানবা ইরাই নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ২৬-১০-২০২৪ ইং, মেরাগী ২৫নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীহরিগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইচে-ইচল খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

*নোল্লুকচরিবশিং :-*

১) কাংজম নিঙোল প্রিয়াঙ্কা দেবী (অবেচা) (মচানুপী)

১) কাংজম খগেন্দ্র সিংহ (মপুরোইবা)
২) দেবিশ (বাবুলু) কাংজম (মচানুপা)
৩) লেবিস (নাওবা) কাংজম (মচানুপা)
অমদি ইমুং-মনুং

অয়ূক পুং ০৯.০০ : ভেক কৎপা
পুং ১২.৩০ : সঙ্কীর্ত্তন হৌবা।

RSVP- 8447003689 / 9774773637 সেগা লম্বী, খ্বাইরাকপম লৈকায়, ইম্ফাল

HL-P/1514/22,23,24



# অমুক্তা উদ্রিবা অনৌবা কুঠি ইজরী

ওঁ গণেশায় নমঃ

খ্বায়দগী অনৌবা মওংগী মপোকলোন (কুঠি) মৈতৈ ময়েক্তা অমদি বেঙ্গালি ময়েক্তা ইবিয়ু লোলনা ইমারোলদা। মতম্না পুরকপা দখা ফল মৈতৈ মরূপ নংত্রগা গৌরগী লৌবিবা য়াগনি। লাংমগী অৱাবা অগদবা মতম খঙদোক্তুনা অকোকলোন পাঙথোকপিরগা ইংনা চিন্না য়ূম পানবা ওইবিয়ু। অঙাংগীদমক ক্লাস নাইনদগী এলেভেন ফাওবদা অঙাংগী হৈবা শিংবা য়েংবিদুনা মপোক্তা য়াওরকপা শিনফম খঙদোক্লগা পক্লবা শিনফমদা থাজিনবিয়ু। মায় পাকপা পুন্সি ওইনবা হোৎনবিয়ু। সুহোংগদবা নুপা নুপী পক্লবা য়েংথোকপীয়ু। Whatsappকী খুৎথাংদা কুঠি থাবিরক্লগা য়েংবগী খুদোংচাবসু ফংবিগনি।

অকুপ্পা ৱারোলগীদমক উন্নবিয়ু তাম্নবিয়ুঃ-

NGANGOM NORENDRAJIT (Atomba Luwang)
SINGJAMEI CHIROM LEIKAI, IMPHAL WEST (SUPER MARKET AWANG).
Retd. Teacher:- JAWAHAR NAVODAYA VIDYALAYA.
Kakching, and Khumbong. Call/Whatsapp - 7005710994

HL-P/279/18-30/1nov.-29/1st dec.3-15

EXCELLENT SPEECH THERAPY AND HEARING SOLUTION (CLINIC)
Regd. No. :- IMC/227)22)/22

লায়েংজরি

না তাদবা অমসুং লোল থোক্তবশিংগীদমক লায়েংজরি

- না তাবা ৱাৎপদগী ৱা ঙাংবা ঙমদবা।
- লোল ঙাংবদা শেংদবা, থিন্থবা অমসুং থোক্তবা।
- ৱাখল শোনবা, বুধি ৱাৎপা।
- ৱাহৈ মপূং ফানা হায়দোকপা ঙমদবা।

**Also Available** :
*Affordable price hearing aid & battery with low price free trial
*Contact : 8415821311, 9383275788 (9:00 a.m. to 6:00 p.m.)*

Sd/- **Manager**,
Excellent Speech Therapy and Hearing Solution
Hatta Mana Ingkhol, (Public Hospital) opposite

HL-P/1367/4-30/1-29/31 Dec.